# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
### (DATE 27-08-2024)

**হঙ্গর (এল)ঃ** ৫৯ শুবা হঙ্গর মারচেস ডে, চাল্লাম খোঙচৎ মনিপুরদা ঙসি পাঙথোক্লি।

মপুং ওইবা থৌরম ইম্ফালগী পিশুম চীংঙামচাদা লৈবা মেমোরিএলদা পাঙথোক্লি। লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবনা থৌরমগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

নীংশিংবা য়াই, ইং কুমজা ১৯৬৫ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মনিপুরদা খুৎশেমগী চাক তাংবগা মরী লৈননা মহৈরোইশিংনা চংশিল্লকখিবা খোঙজংদা মীওই মরি লৈখিদবনি। থৌদোক অদুদা খোঙজং চংশিল্লিবা মীয়ামবু নমথনবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা নবাকুমার, নিলামনি অমসুং প্রমোদিনি মফমদুমক্তা লৈখিদবনি। অদুগা থৌদোক অদুদা শোকখিবা লাইশ্রম চাউভলনা কাইনাথংদা লৈখিদবনি।

**সুসিন্দ্রো (এল)ঃ** লোক্তাক পাৎ কন্নবা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবীনবা পি.ঐচ.ই.দি. মন্ত্রি-লৈশাংথেম সুসিন্দ্রোনা আপিল তৌরি।

লোক্তাক কন্নবা কেবিনেট সব-কমিতিগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা মন্ত্রি-এল. সুসিন্দ্রোনা মখা তানা হায়-প্রোজেক্ট অসিগী অহানবা খোঙথাং ওইনা পাৎকী অকোইবদা লৈরিবা ফুমদিশিং শেংদোক্তুনা পাৎকী মপানশিং শেমজিনদুনা পাৎ অসিগী ঈশিংশিং লৈমাতাক তুরেললোমদা চিথখিনবা থৌরাং পায়খৎলগনি।

লোক্তাক পাৎ য়েংশিনবগী খোঙচৎতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-বিষ্ণুপুর জিলাগী নিংথৌখোংদা পাৎ অসিদা তারকপা ফত্ত-হৌদিশিং মতম মতমগী মনুং ইন্না খোমজিনদুনা পাৎ অসিবু লু-নান্না থমবা হোৎনগনি। মহাকা হায়-ফৌবাকচাউ অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ঈশিং ঈচাওগী

খুদোংচাদবা মায়োকবনা ঈশিংগী চেন্নেলশিং শেমগৎপদা খুদোংচাদবা মায়োকরি। ঈশিং ঈচাওগী ফিভম খরা ফগৎলবা মতুংদা প্রোজেক্ট অসি মায় পাকা পায়খৎনবা থবক হৌরগনি।

মন্ত্রিগী খোঙচৎ অদুদা এল.দি.এগী চেয়ারমেন-মোইরাংথেম অশ্বিনি কুমারসু লোয়নখি।

**নোং (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা হন্দক নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবদগী থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মমাং পাৎ হায়রগা খঙনবা লৌখোংপাৎ অমদি ঙাগী ফার্ম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। ঈশিং ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরি হায়না দাইমন য়ুথ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন-সঙ্গাইয়ুম্ফমগী চেরোল অমনা হায়রি।

ঈশিং ঈচাও অসিনা মরম ওইরগা লৌ পরি ২৫০ রোম অমদি ঙাগী ফার্ম ২০ লোম ঈশিং থুমজিনখ্রে। হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসি মরী লৈনবা বিভাগশিংনা মীৎয়েং চংবীদুনা লৌমীশিং অমদি ঙামীশিংগী অৱাবা কোকবা মতেং পাংবীয়ু হায়না এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, ঈশিং ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা তেকচম প্রাইমারি স্কুলদা মীওই ৮০ রোম চংজফম লৌদুনা লৈরি। ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রগী এম.এল.এ. পাউনম ব্রোজেনগী মীৎয়েং মখাদা বি.জে.পি. ৱাংজিং তেন্থা মন্দলনা মফম অদুদা লৈবা মীয়ামদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে। মখা তানা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়রি।

**হেন্দিক্রাফট (এল)ঃ** এক্সপোর্ট প্রমোসন কাউন্সিল ফোর হেন্দিক্রাফটনা শিনদুনা থা মঙা চথুগদবা কমপ্রিহেন্সিপ স্কিল অপগ্রেদেসন প্রোগ্রামগী ত্রেন্নিং ইম্ফাল ৱেষ্টকী হাউরৈবীদা লাশিং ফিগী ক্রাফট ঙরাংদগী হৌখ্রে। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মনিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্ডকী চেয়ারমেন-এন. নিমবসনা

হায়-শিথরক্লবা ক্রাফট অসিবু অমুক হন্না য়োকখৎপদা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসিনা চাউনা মতেং ওইগনি।

ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অসি লোইরবা মতুংদা আর্টিসিয়ানশিংনা য়ুম য়ুমদা লাশিং ফি ক্রাফট অসি ফজনা থবক তৌদুনা লাশিং ফিগী পোৎথোক ময়াম অমা পুথোক্কুনা কৈথেলদা মরাং কায়না ফংহল্লবদি রাজ্য অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি। মহাকা হায়-মনিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রি বোর্ডকী মায়কৈদগী তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রাম অমদি স্কিমশিং পায়খৎতুনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা হেন্দিক্রাফটকী আর্টিসিয়ানশিং য়াইফনবা হোৎনরি।

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্টকী অৱাং পোৎশংবমদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই তরুক ফারে হায়রি। মখোয়দগী গন টোপ্পিং লেন্স অহুম, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অহুম, অহাংবা ট্যুব লোঞ্চিং অমা, চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল হেন্দ সেট তরুক অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

মখা তারকপদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম খরদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, দবল বেরেল নোংমৈ অমা, বেরেল গনগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অনি, এ.কে. ফোরতি সভেনগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৭৫ য়াওনা মেগজিন অহুম, এম.সিক্সতিনগী অহাংবা মেগজিন মখা, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ২৩০, ৱায়ারলেস সেট তরেৎ, চাজর অহুম, লেপটোপ অমা অমসুং অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎলে হায়রি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা মনিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী হৈঙাং মখা লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ. (কোইরেং) গী মীওই অমা ফারে হায়রি। মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অনি, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা ফংলে।

মনিপুর পুলিসনা ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোলদগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.ডি) গী মীওই মরি ফারে হায়রি। মখোয়দগী কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু অমা য়াওবা পিস্টোল অমা, মোবাইল ফোন মরি, গাড়ি অমা ফংলে হায়রি।

**য়ু (এল)ঃ** সেনাপতি পুলিসকী অখন্নবা ওপরেসন অমদা হেনবুংগী আই.টি. কেম্পতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা কাংপোকপীরোমদগী লাকপা ত্রক অমদগী য়ু লিটর ১৫০ রোম ফারে।

ফারবা পোৎলমশিং সেনাপতিগী এক্সাইসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

**কাডা(এল)ঃ** নিশানা খুন্নাইদা পীবা চৈথেং অমসুং মসিবু থেংনবদা মীয়ামগী থৌদাং হায়বা হীরমদা কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ অলকোহোল (কাডা) না শিনদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী উপোকপী য়ুথ দিবলপমেন্ট ক্লবকী কম্ম্যুনিতি হোলদা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে।

**নোনে (এল)ঃ** ওল্ড কছার রোডকী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অমদি মসিবু মতম চানা শেমজিনবীদবগীদমক নুংবা ব্লোক কংগ্রেস কমিতিনা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। হৌখিবা জুলাই ৩০ দা তাউদাইজাং মপাদা লম্বী নীংখায়খিবদগী লম্বী অসি ফাওনবা য়াদনা লৈরকপনি। মসিনা খুল ২০ লোমগী মীওইশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে। মরম অদুনা সরকারনা অথুবা মতমদা লম্বী অসি শেমজিনবীনবা আপিল তৌরি।

**ক্লব(এল)ঃ** সনা জমাস্থান ক্লব-কৈশামথোংনা চহি খুদিংগী লেপ্তুনা চঙ্খরকপা আর.কে. সনাজাউবা মেমোরিএল মেরিটোরিয়স এৱার্ড-২০২৪ য়েন্থোকপগী থৌরম হৌখিনবা নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ক্লব অসিনা কোনবা লৈকাই অহুমগী মহৈরোই ৩৩ রোমদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি।

**সেক্যুরিতিঃ** মেদিকেল প্রোফেসনগী লমদা লৈরিবা মীওইশিংগী থবক তৌবগী মওং মতৌ, সেক্যুরিতি অমসুং মখোয়বু অশোয় অঙাম য়াওহনদবগী মতাংদা প্রস্তাব তৌরকবা সুপ্রিম কোর্টনা শেমখিবা নেসনেল টার্ক্স ফোর্সকী অহানবা মীফম ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লগনি।

মীফম অদু কেন্দ্রগী কেবিনেট সেক্রেটরিনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোক্কনি। টার্ক্স ফোর্স অসিদা য়াওরিবা মেম্বরশিংদি-কেন্দ্রগী হোম সেক্রেটরি, নেসনেল মেদিকেল কমিসনগী চেয়ারপার্সন, সর্জন, ভাইস এদমিরেল-আর.সরিন, এইমসকী দাইরেক্তর-ডা: এম. শ্রীনিবাস অমসুং এইমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ নিওরোলোজিগী হান্নগী প্রোফেসার-ডা: পদ্মা শ্রীভাস্তবনি।

কোলকাতাগী আর.জি. কর মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতালদা ডাক্তর নুপী অমবু ইজৎ মাঙহল্লবা মতুং তমথিনা হাৎতোকখিবা কেস অদুগী মতাংদা খন্নবদা সুপ্রিম কোর্টনা মেদিকেল প্রোফেসনদা লৈরিবা মীওইশিং অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা নেসনেল টাক্স ফোর্স শেমবা খঙহনখিবনি।

সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না টাক্স ফোর্স অসিনা মখোয়গী ইন্টরিম রিপোর্ট চয়োল অহুমগী মনুংদা অমদি ফাইনেল রিপোর্টনা থা অনিগী মনংদা পীখৎলক্কদবনি হায়না খঙহনখ্রবনি।

**মাওইষ্টঃ** ছাতিসগরগী বিজাপুর জিলাদা মাওইষ্ট ২৫ সি.আর.পি.এফকী দি.আই.জি. অমসুং জিলা অদুগী এস.পিদা চংজরকখিবনি। মখোয় তোঙান তোঙানবা হিংশাগী থৌদোকশিংদা চেন্নবা মীশকশিংনি।

চংজলক্লবা মাওইষ্টশিং অদুদা সরকারনা রিহেবিলিটেসন পোলিসিগী মখাদা লুপা লিশিং ২৫-২৫ গী শেন্থং পীরগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি মনিপুরদা ফোংলিবা পাউচেশিংদা-ঙসিদগী সেক্যুরিতি ঙাক্লগা পেট্রোল-দিজল পীরগনি হায়না মিনিস্তর সুসিন্দ্রোনা হায়খিবা ৱাফম, টি.ভি. চেন্নেল অমদা ইরাং অসিগী মরমদা খন্ন-নৈনবা য়াওরুবা লমজাথাং হাওকিপকী য়ুমদা অমাং অতা থোকহল্লম্বা অমসুং রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈচাওগী ফিভমনা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক পাউ-চেদা-থাউগী অৱাৎপা লৈতে, পুলিস ঙাক্তুনা থাউ পীহল্লগনি হায়না মন্ত্রি-সুসিন্দ্রোনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-পেট্রোল পম্পশিংদা সেক্যুরিতি থম্লগনি, থাউ পীথোক্তবা পম্পশিংগী মথক্তসু লিগেল এক্সন লৌখৎলগনি হায়না মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু ফোংলি।

থাদৌশিং কুকি নত্তে হায়রুবা মাইকেল লমজাথাং হাওকিপকী য়ুমদগী শরুক খরা মৈ থারম্লে, নোংমৈ কাপশিল্লম্লে হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা-লমজাথাং হালকিপকী মথক্তা চথখিবা এট্টেকপু থাদৌ কম্যুনিতি ইন্টরনেসনেলনা কন্দেম তৌবগী পাউ, মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, মনিপুর মেল, নহারোলগী থৌদাংসু তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যুজতা-লোক্তাক পাৎকী অকোইবদা রিং রোড শেম্বা হৌরে, টুরিজমগী লমদা শেম্হোক লৈহন্নবা হোৎনবদা মীয়ামনা শৌগৎপীয়ু হায়না চীফ মিনিস্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-ইরেংবনদা য়ুম তরুক ঈশিং থুমজিনখ্রে, ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা ঙায়োক ফার্ম য়াওনা লৌ হেক্তর লিশিং ২,৮০০ গী মথক্তা ঈশিং

ঈচাওনা শোকহল্লে হায়বা পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

থৌবাল লৈশাংথেমদা ঈশিং ঈচাও য়েংবা লাকপা থিংবদা অৱাবা ওইরে, ঈচাওনা নংলবা মীওই লিশিং অমা হেন্না রিলিফ কেম্প ১১ দং চংজফম লৌরি হায়না সনা লৈবাক পাউচেদা ফোংলি।

থাংমৈবন্দগী এম.এল.এ. জয়কিষননা রিলিফ কেম্প অহুমগী অৱাৎ অপা লৈতনবা এদোপ তৌরগনি হায়বা পাউ তোঙান তোঙানবা পাউচেশিংদা ফোংবা থেংনরে।

ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী কুমওন আগষ্ট ২৯ দা পাঙথোকবা শেম শারে হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ময়াংখং অমসুং টি-খুল্লেনগী মফমশিং অসি সেনাপতি জিলাগী রিভিন্যুগী মখাদা লৈবনি হায়বসিনা সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী হেদলাইন ওইরি।

এস.বি.আইনা ইম্ফাল অমসুং চুরচান্দপুরদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা নুপীমচা মহৈরোইশিংদা সাইকল ২০ য়েন্থোকখ্রে হায়বা পাউনা গানফিয়ু মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।